# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI
ইম্ফাল,শজিবুগী ২১ নি পানবা, য়ূমশকৈশা এপ্রিল ৮,২০২৬ ইং

## ত্রোংলাওবীদা মীচম ৫ হাৎপা

### এন আই এদা শীন্নবা খক নত্তনা জুদিসিয়েল ইনক্বারি তৌহন্নিংই

মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরসি মী হাৎপা হায়বসি করিসু লৈতনা খন্নরে। মণিপুরগী মীয়ামসু অশিবা কয়া শুকখ্রবগে হায়না ঙক থাঙ্গৎতুনা মশিং থীন্নরগা লৈরে। মীওইবগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা লৌরে। শিরগা পুন্সিবু করিসু লৈতনা লৌরে। শিরগা এক্স গ্রেসিয়া লুপা লাক্ষ ৫ পীবা, এন আই এদা শীন্নরগা লোইরে। ঈরাং খজিক্তং কল্লগনা লৈগদবগী ইমুং মনুংগী মীওই অমদা লৈঙাক্কী থবক অমা পীরগা হেক্তা লোইশিন্নে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি অসুম তোইশিল্লকপদা মীয়াম শাওনরকই। লম্বী থিংদুনা প্রোটেষ্ট তৌনরকই। লম্বী থিংবা হায়বসিসু অফবা প্রোটেষ্ট মখল অমা ওইদবনিনা তঙাইফদনা চৎতবা য়াদবা মীওই খরনদি লম্বী থিংবসি শাখিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লে। অসিগুম্বসি য়েংলুরগদি লম্বী থিংবা নত্তনা অতোপ্পা খোঙজংগী মহুৎ শিনবা য়াব্রা হায়বসু য়েংবা চুম্লবনি। হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামসি মৈদা ফম্বগা চপ মান্নরি। মীপূম খূদিংমক থম্মোয় শোক্লে। অশাওবনা মাঙদা থারগা থবক তৌনরক্লে। অফবা নৎত্রগা ফত্তবা হায়বা অমা খন্নরক্ত্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি অহিং নোংয়াইগী মতমদা মমাগী মথানুংদা অকিবা অমত্তা ফাওদনা নুংঙাইনা তুমখুল তাল্লিঙৈদা খঙহৌদনা কাপশিল্লকপা মতিক ময়ায় লৈরবা বোম য়ূম মনুংদা পোকখায়দুনা শুপ্নতগী চহী ৪ খত্তং ঙাইরিবা নুপা মচা অমগা থা ৫ খক্তা ঙাইরিবী মচন্নুপীগা পূন্না শিরগা মমাদুনা শিনিংচিৎতা হিংহৌরে। তাইবঙপাল হায়বসি করিনো হায়বা খঙদ্রিবা ৱাখলদা অমকপা লৈত্রিবা চহী নৌরিবা অঙাং অনী অদুবু তমথিনা হাৎখিবদু টেরোরিষ্টশিংগী থৌদোকনি। কনামত্তনা ঙাকপীররোইদবা চাওরবা মরাল অমা লংশিল্লবনি। থৌদোক অদু অতম্নবা মৈতৈগী খুল মনুংদা চঙশিল্লক্লগা মীগী য়ূম মপাদুমক্তদা য়াম্না নক্না বোম কাপশিন্দুনা এটেক তৌরকখিবনি। লৌতুনবা থিওরি অমদা মৈতৈ মশেলগী ঈরাং মালহন্নবা কুকিনা শাবা আর পি জি ( লোকেল মেদ) ২ থমজিল্লম্বা অদুগী পাউখোং মণিপুর পুলিসনা ফোঙফম থোকই। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী পুলিস পার্সনেলশিংনা থৌদোক থোকফমদা লাকখি। অদুবু মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু ফাননবা থবক লৌখৎপদি শিংথানিংঙাই ওইবা মতৌ উৎখিদে। করিমত্তা খঙজদবা অঙাং ২ হাৎলম্বগী পাউ তাবদগী মায়কৈ কয়াদগী মীওই কয়ামরুম থোমজিন্নরকখি। শাওরবা মীয়াম্না মনাক অদুৱাইদা লৈরিবা সি আর পি এফকী পার্সনেলশিং অদু থম্বগী করি কান্নবা লৈরিবগে হায়বগী মোব অমা থোল্লকখি। নখোয় লৈনা লৈনা ঐখোয়বু হাৎহল্লি হায়বা ৱাফম অসিদগী মশিং য়াল্লবা মীয়াম অদুনা সি আর পি এফকী কেম্প অদুদা চঙশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা সি আর পি এফনা নোংমৈনা কাপথোরকপদা মীচম ৩ শিখি। অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংখি। হৌজিক্তি ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং অসি ৫ শুখ্রে।

মীয়ামগী পুন্সি, লন–থুম ঙাকপা হায়বসি লৈঙাক্কী তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি। মসিমক লুপা ক্রোর লিশিং কয়া কায়থদুনা ষ্টেট ফোর্স, সেন্ট্রেল ফোর্স কয়ামরুম মনাক নকপা মফমশিংদা থল্লিবনি। অদুবু মখোয় লৈনা লৈনা বোম কাপশিনবা, মী হাৎপা অমসুং থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থোল্লকপা মোব তানখায়ননবা সি আর পি এফনা নোংমৈনা কাপ্তুনা মী ৩ হাৎপা, অদুগা কয়া অমা শোকহনবনচিংবা চথখি। থৌদোক অনীদুগী মনুংদা অঙাং ২ হাৎখিবদুগীদি কন্দেম তৌখ্রে। অদুগা সেক্যুরিটি ফোর্স লৈনা লৈনা মী হাৎহনবগী মোব অদুদা মীচম ৩ শিখিবা অদুগীদমক্তদি মণিপুর লৈঙাক্না করিমত্তা হায়খিদে। তশেংনমক্কীদি লৈখিদবা মীওই ৩ অদুবু মীচমনি, নোংমৈ পায়বা কাঙবুসু নত্তে। পেন্দবা অমসুং শাওনিংবা কয়াদুনা মরম ওইরগা তৌহৈদবা থবক অদু তৌরুবনি। চহী নৌরিবা অঙাং ২ হাৎখিবগী পাউ তারগা মীয়ামগী ঈরাং অচৌবা অমা লাকখি। ঈরাং অদু মীশি মীনা য়াওহন্দনা করম্না ইংথগদগে হায়বগী থৌরাং তৌননবা মতম মতিক চানা ফংখি। পুলিসতা পীরিবা মথৌ অনী হায়বদি থৌদোক্তু থোক্ত্রিঙৈদা থোক্তনবা হোৎনবা অমা, অদুগা অতোপ্পা অমনা থৌদোক অদু থোকখ্রবা তুংদা মরাল লৈবশিং ফাদুনা অথুবদা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবদুনি। হৌজিক্তি অনীমক মায় পাক্ত্রে। থৌদোক থোকহন্দবসু ঙমদ্রে, থোকখ্রবা মতুংদা মী মরাল লৈবা ফাবসু ঙমদ্রে। ফিভম অসি য়ৌরগদি লৈঙাক অসি শোল্লে, থবক তৌবা ঙমদ্রে করম্না হায়রোইদৌরিবনো? হৌজিক্তি মীয়ামসি শাওবনা পন্দোম লোল্লে। শাওরিবা মীয়াম অসি কার্ফিয়ু থমজিল্লগা অমসুং দাটা ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিল্লগা নমথবা হায়বসিনা কৈদৌঙৈদসু ৱারোইশিন পুরক্লোই। মীয়াম্না পেনগদবনি মরাল লৈবশিং অদু ফাবা অমসুং লোগী চৈরাক ফংহনবদুনি। মসিগীসু মথক্তা শান্তি পুরকপসি হায়না লাওরগা, খূৎ তিংথোল্লগা কান্নররোইদবদা মোন্দ্রং শান্নবগী মহুৎতা মিলিটরি ক্রেকদাউন তৌবা হায়বসিনি। য়াম্না শাখিবা মিলিটরি ক্রেকদাউন অমা তৌদ্রিফাওবা মণিপুরদা ঈরাং নেমথবা ঙম্লোই। মী অদু হাৎলক্কনি, ৱাকায় অদুম ঙাংলক্কনি, পিছ প্রোসেস মায় পাক্লোই। তৌগদবা থবক অমা তৌদনা ঈং তপ্পা থিবা অচুম্বা নত্তে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি থৌদোক অনীদা লৈখিদ্রবা মীওই ৫ অদুগী মনুংদা থৌদোক অমগীদি এন আই এদা থিগৎননবা কেস শীন্নখ্রে। অদুগা অতোপ্পা অমনা মরন্নাই তাহল্লগা নোংমৈ মুনগে তৌই, গাড়ী মৈ থাই হায়বা মরাল শীদুনা মরন্নাই তাহনগদৌরে। মীবু হেক্তা হাৎপা য়াব্রা? থৌদোক্তু থোক্ত্রিঙৈদা থোকহন্দনবা করি হোৎনখি? দিষ্ট্রিক্ত ওথোরিতিনা ঈরাং থোকহন্দনবা, ঈরাং লাকশিন্নবা করি হোৎনখিবগে? অসিগুম্বা থৌদোক্তা মী হাৎপসি নুংঙাইতে। মখোয় পেন্দবদগী প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। মদু লৈঙাক্কী অশোয়বনা মরম ওইরগা তৌহল্লকপনি। থৌদোক অদু থোকহল্লমদবা য়াব্রা, কনানা তেকচাক পুগদগে হায়বনচিংবা খঙদোক্লনবা জুদিসিয়েল ইনক্বারি অমা মথৌ তাই হায়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 255*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 5 | | | | | |
| | | | | | 4 | | | |
| | | | | | | | | 7 |
| | 1 | 6 | | | | 8 | | |
| 4 | | | 2 | | 7 | 5 | | 6 |
| | | 8 | 6 | | 9 | 4 | 3 | |
| | | 3 | | | | | | |
| | | | 9 | 4 | | | 2 | |
| 5 | 6 | | 7 | | | 3 | | |

# ফনা তমথিবা লায়নানা নারবসু ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাকশিং তোয়না খক শীজিন্নরোইদবনি

**কনাগুম্বা ইনফ্লেমেটরি বাৱেল সিন্দ্রোম, ওতো ইম্যুন দিজিজ, জোইন্ট পেন, মশলগী অনাবা, অজমা, এলর্জি অমসুং কেন্সরনা নারবা মীওই খরদা তঙাইফদনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাক থাবা য়াওই। অদুবু মসিনা ঙাইহাক্কী ওইনা ফহনবা মাল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা সাইদ ইফেক্ট কয়া থোকহল্লি।**

দোক্টরশিংগী মোৎ মতুং ইন্নদি অসিগুম্বা মখলগী মশক শেমগৎনবা সপ্লিমেন্ট অমসুং ষ্টেরোইদ শীজিন্নবনা শরূগী তাং–তাংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকই হায়রি।

মতম শাংনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরবদি গাউট অমসুং এভাস্কুলর নেক্রোসিসনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকই হায়নসু অখঙ–অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। ষ্টেরোইদনা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি ফিভম হেঞ্জিনখিদুনা পুন্সি চুপ্পা শোইনাইহনবা য়াই হায়রি।

মীপুম খুদিংমক মশা–মউ ফবা লোইনা পাম্লে। ফিল্ম অমদি টেলিভিজন্দা উবা মশল মত্রং মত্রং কাবা হিরোশিংগী মতৌ তমদুনা নহারোল কয়া বোদি বিল্ডিংদা মায় ওনশিন্নরক্লি। পান্দম ফঙনবা হোৎনবদা নহারোল কয়ানা মসল শেমগৎনবা সপ্লিমেন্ট অমসুং ষ্টেরোইদ শীজিন্নবসু য়াওদবা নত্তে।

জয়পুর গোল্ডন হোস্পিটালদা ওর্থোপেডিক্স দিপার্টমেন্টকী মকোক ওইনা লৈবা ডাঃ মনোজ শর্ম্মনা হায়, নহারোলশিংনা মসল শেমগৎনবা সপ্লিমেন্ট অমদি ষ্টেরোইদ শীজিন্নবদগী শরূ তাঙ শোকচিল্লকপগী থৌওং অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হেলঠ ইসু অমা ওইরক্লে। মতম চানা য়েংশিলহৌদ্রবদি কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

অখঙ–অহৈশিংনা হায়, সপ্লিমেন্ট অমসুং ষ্টেরোইদ কা হেন্না শীজিন্নবনা ওষ্টিওনেক্রোসিস ওইহল্লকই। ওষ্টিওনেক্রোসিস হায়বসি শরূ অমসুং তাঙ্দা ঈ মরাং কায়না ফঙহনবা ঙমদবদগী তপ্না তপ্না শরূ পাথরকপা, শিখরকপগী থৌওংবুনি। মরু ওইনা নিংজোল, খুউ, লেংজুম অমসুং খুজেংগী শরূক শোকচিল্লকই।

মুম্বাইগী লিলাবতি হোস্পিটালদা ওর্থোপেডিক সর্জন ওইবা ডাঃ নিরাজ ভেংসাকরনা হায়, নহারোল অয়াম্বা মসল শেমগৎনবনি হায়দুনা দোক্টরগী পাউতাক য়াওদনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নবা থেংনৈ। অদুবু থৌওং অসিনা শরূ শোকহল্লকপদগী তাঙ অয়াম্বা লেংথোক লেংশিন তৌবা ঙমহল্লক্তবা য়াই।

অমরোমদা, ৱোকহার্দ হোস্পিটালগী ইন্টরনেল মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা কন্সলটেন্ট ওইনা লৈবা ডাঃ বেহরাম পরদিৱালনা হায়, ষ্টেরোইদ কা হেন্না শীজিন্নবনা উনশা পাথরকপা, ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপা অমদি শরূ শোন্থরকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা মতম শাংনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরকপা মীওইশিংনা খুদক্তা খংথা থাদোকপা ঙমদে।

সফদরজং হোস্পিটালদা মেদিসিনগী এক্সপার্ট ওইনা লৈবা সঞ্জিব চতুরবেদিনা হায়, ফনা তমথিবা লায়নানা নারবসু ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাকশিং তোয়না খক শীজিন্নরোইদবনি। হকচাং মনুংদা মথৌ তাবা চাংদা ষ্টেরোইদ পুথোকই। মসিগী মথক্তা অহেনবা ওইনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাক মতম শাংনা শীজিন্নরবদি পুক্লিং ৱাখল ফাখবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপা য়াই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা বোদি বিল্ডির চাদা ২০ লোম ষ্টেরোইদ কা হেন্না শীজিন্নবদগী শিবা য়াওখি।

কনাগুম্বা ইনফ্লেমেটরি বাৱেল সিন্দ্রোম, ওতো ইম্যুন দিজিজ, জোইন্ট পেন, মশলগী অনাবা, অজমা, এলর্জি অমসুং কেন্সরনা নারবা মীওই খরদা তঙাইফদনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাক থাবা য়াওই। অদুবু মসিনা ঙাইহাক্কী ওইনা ফহনবা মাল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা সাইদ ইফেক্ট কয়া থোকহল্লি।

মরকসিদা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী এন্টি সারিনানা লুচিংবা রিসার্চর কাঙবু অমনা হায়, মশাগী চহী অনি শুদ্রিবা অঙাংদা অজমা ফহন্নবনি হায়দুনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাক থারবদি তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লি। নিংশা শ্বর হোনবদা থবাক খেবা, অঙাংশিংদা ইনহেল কোর্তিকো ষ্টেরোইদ (আই সি এস) থাবগী চৎনবী অমা লৈ। অদুবু থৌওং অসিনা অঙাংগী চাওবা থিন্থহনবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নহল্লি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী এন্টি সারিনা লুচিংবা টিম অমনা মশাগী চহী ২ শুদ্রিবা অঙাং ১২,৪৮২গী মরমদা কুপ্না থিজিনখি। মদুদা ষ্টেরোইদ কা হেন্না শীজিন্নবা অঙাংশিং চাওবা থিল্লি হায়বা খঙলকখিবনি। মরু ওইনা ষ্টেরোইদ য়াওবা অজমাগী হিদাক শীজিন্নবা অঙাংশিং চাওবা তপ্পী হায়রি। রিসার্চর কাঙবু অসিনা খরা চাওখৎপা অঙাংদা ষ্টেরোইদনা করি করম্বা অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি। ৱাফম অসি স্পেনগী বারসেলোনাদা হন্দক পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন সোসাইটি ফোর পেদিয়াত্রিক এন্দোক্রাইনোলোজিগী মীফমদা রিসার্চরশিংনা ফোঙদোকখিবনি।

হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি ষ্টেরোইদ য়াওবা হিদাক শীজিন্নবনা শরূক অমসুং তাঙ–তাঙদা অকায়বা পীরক্তুনা পুন্সি চুপ্পা শোইনাইহনবা য়াবগী মতাংদনি।

# হিংনবগী লানফমসিদা মখল মথেল

মীওই অমা ওইনা পোক্লগা মীওইবশিংগীদমক অফবা থবক তৌবগী ৱাখল য়াওদ্রবা মীওই অদুমক মশাগীদমক খনবদা হায়ফম খঙদনা ৱাজবা অদুম্মক ওইদৌরিবনি। হিংলিঙৈগী মতমদা মরল–মথুমনা চীঙমুক ৱাংনা পৈদুনা লৈরবসু মশা মথন্তগী ওইজবা থিবা কনা কনাগুম্বগী মতেং পীগে পাঙগে খন্দবা কয়া অমসু অদুম্মক ময়াওবনি। লাইর–অনং কয়াগীদমক অঙম্বা মতেং পীগে হায়দুনা হোৎনজরিবা অদুগুম্বা মীওইদুমক মহাক্লা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু মহাক্কী মমিংদি অদুম্মক শোন্নহৌগনি। মসিমদি পঙহায় হাজিনবা নত্তে।

লাই ওইখ্রবা কয়া অমা লৈখ্রবসু মখোয় ময়ামদুগী মরক্তগী ঙসি ফাওবা নিংশিংদুনা শোন্নহৌবা মীগী মশীং পঙয়াম য়ামগদবা নত্তে। নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ মখোয়গী মমিং হিংলিবা ঐখোয়না শোন্নগদৌরিবনি। তুংগী পোরম খঙবা মীওই খরতনা মশাগী অরেম্বদা মরল–মথুম লাইরবা মীওইদুবু ফত্তেদা খক হায়নররোইদবনি।

অমত্তনা পোকপা মচাশিং ফাওবা অমনা অমবু নুংশিনরক্তদুনা য়ুম ফাওবা শম্বল খাজিন্নদুনা লৈনবা য়াওরি। মসিমক মুন্না খল্লুরবদি মশাতগী ওইবা খন্নরকপদগীনি। ময়ুম–মকৈবু পাল্লবা অয়াম্বনা তোঙান চানবগী থবক অসিমদি তৌদবা য়াদবদৌনা চৎনখৎলক্লি। ময়ুম–মকৈ পান্দ্রিঙৈ মতমদদি চাক চাক্লুক অমত্তদা পুন্না চামিন্নদুনা হাওবা হাওতবা চাক চামিন্নরম্বা পুম্মক কদোম কদোমগীনো খঙহৌদনা মশুং মশুং নাইনরকপা মসিগী মমা মপানা ফনা য়াম্না য়াদ্রবসু মচা–মমৌগী অপাম্বা ওইখিবনা মমা–মপাগী অপেনবা হায়বদুদি ওইদ্রবনি। য়ুম্লেপ চারা তল্লবনিনা মতমগী মতুং ইন্না মখোয়গীসু ধারা নালা হায়বা অমা নমদা লাক্কদৌরিবনি। নোংমা নোংমা হৌখিদুনা নোংমদি পীশক পীক্না লৈরম্বা অঙাং নৱানি হায়না মমা–মপা ওইরবা অনীনা খঞ্জরম্বদু মখোয়গীসু মতাং মতমগী মতুং ইন্না য়ুমলেপ চারা তল্লক্কদৌরিবনি। মসিগী মতাংদনি খুল্লং–লমন হায়দুমা নমদনা ওইদৌরিবনি। 'চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিং...' অহল লমনশিংনা হায়নবা পাউরৌ অদুমক শোয়দ্রবনি। মসিগী ৱাফমসিনা নাথৈদুনা থক চৎলোইদবনি।

খোইদ্রিং–খোইদ্রাং তৌবা মীওইদুনা কনাবুসু থাজবা লৈতে। মশাগীতা ফরগা লোইরে খঞ্জবা মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈরোইদৌরিবনি। শামান–লেঙামন্নবা মরুপশিংনা কয়ানদি মাবু কৈদৌনুংদা নুংশিবা হায়বদুমদি ওইররোই। মশা মথন্তা তোঙান তাদুনা লৈরদৌনি। মীওইবা ওইনা পোক্লগা মশা মথন্তা তোঙান তাদুনা লৈবা হায়বসিমদি অফবা ওইনবগী লম্বীদি কৈদৌনুংদা ওইররোই। মসি মশা মশাগী অশোয়বা অমা লৈবদগী মীয়ামগা ৱাখল মান্নরক্তবনি। কাইনথংদা মীয়াম্না শিংথাবা মীওইশিংগী মনুংদা নমদনা চনদৌবিরনি।

মীওই অমবু মীওই অমনা নুংশিদবা হায়বসি মনুংদা করিগুম্বা খরদি লৈরমগদৌরিবনি। পোকপু পোল্লবা নোংমদি শুংশোয় শোয়দনা অশি লৈবাক্তা কনা য়াওদনা মরোমদোম চৎকদৌরিবনি। মসিগী ৱাফমসিমক নোংমগী মনুংদা সেকেন্দ অমত্তা ওইরবসু নিংশিংবা ঙম্বগী থৌনা পাঙ্গল লৈরবা কনাদসু তাথিনা মীগী ফত্তনবা তৌগে হায়না খল্লোইদবনি। মী ফত্তবগা লাই ফত্তবগা অনিসি করম্বনা অফবনি হায়গদৌরি? হায়নিংঙাই লৈতে। লাই ফত্তবসু লাইয়ামশিংগী মনুংদা লৈবা য়াদ্রদুনা লম্মাং–তুহাং মী কয়া চঙনদবা নারক–মোংশোংদা লৈনরিবনি। নুমিৎ চপ য়ুংবদা মোংশোংদা লম্মাং–তুহাংদা চৎতবা য়াদদুনা চৎলবসু চেকশিনবগী তঙাইফদবা হায়বদু ওইরিবনি। করিগুম মতমদা অহলশিংনা হায়নবা লৈরিবনি। নুমিৎপু চপ য়ুংলবা লাই থোকপনি। মসি হায়নবগী ৱানি, থোকপ্রা থোক্তব্রা খঙবা নত্তে। তৌবগীবুদি করিগুম্বা মতমদা হায়রিবা নুমিৎ চপ য়ুংবসিদা লাই ওক্লন্দুনা লাকয়ন্নবা ঙমদনা লৈখিদবা য়াওই। অদুনা মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। হায়নরবদি অচুম্বা খরদি য়াওদনিংঙাই লৈতে। হায়রিবা ময়ামসিগী মনুংদা নঙ ঐনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরুদ্রগা লোইরে।


কনা কনাগুম্বনা হায়নবা লৈরিবনি। মখোয়গী ইমুংসি হন্দক্কী চহীসিদদি মোংবা চঙলব্রা করিনো মওং অমা তৌরবনি। মসি ফনা হায়নবা নত্তে। মোংবা হায়রিবা উচেক অসি করিগুম্বা মতমদা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা য়ুমদা চঙলম্বা থোল্লবা ফত্তবগী লম্বীদা নিংজিং মাঙজিনরগদবনি। ফত্তে হায়বা অদুমা তৌবিদ্রগা লোইরে। ধর্ম্ম লৈবা লৈতবা হায়বসি মানা মানা তৌরিবা থবক অদুনা তাকচগদবনি। মীওইবা মরক্তগী থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়ামদগী হেল্লবা মহাক অদুমা মাগী মমিং শোয়দনা শোন্নরগদবনি। অফবা ওইগেরা ফত্তবা ওইগেরো হেক্তা ওইবদা কনানসু করিসু হাময়ুম–মকৈ পাল্লবা মতুংদা হেক পোল্লিবা মমা মপাবু তোখায় লৈহন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা তোঙান চাহন্নবগী থবক থৌরম শিল্লকপা অসিগুম্বা থবক অসিমা মশিং লাকঙমদনা লৈখ্রবা পোৎনি। ফত্তবা ওইরকপসি মরু ওইনা ময়ুম পান্দ্রিঙৈগী মতমদদি নুংশি–চান্নবা লৈমিন্নরম্বা ঙাক্তনি। ময়ুম পাল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা য়ুম্বাল্লোনগী ফিভম মনুং হুৎনা করিগুম্বা অশোয়বা খরদি লৈবা ওইরগদবনি। মসি মী মীদুগী মতুং ইনগদবনি হায়বসিসু অকায়বদি নত্তে। অচুম্বনি।

ইচানুপা পোকই, ইমৌগী, মসিগী ৱাহৈমসিদি ওইদনবা তাদনবা মচা ওইবা মহাক্লা হোৎনবদা ওইরোইদবা লৈতে। মাগী নুপীনবু হায়রবদি লোইরে খঞ্জবা নুপাদুদি নোংমদি শোয়দনা মীমাঙ থোক্তনিংঙাই লৈরোই। মচিন মনাও মমা মপাবু থওই–ৱাওইদনা তৌরবা অদুগুম্বা মীওইদু কৈরোই লৈকায়না ফাওবা নুংশিবদি লাইরদুনা হূ তরেৎমুক খারমগদৌরিবনি। করিগুম্বদা লৈশাবী মানা মৌগীশিংদা চন্দুনা য়ুমলেপ চারা তল্লবসু মাগী মপুরোইববু পোক্লিবা মনেম–মকু অমদি অতৈ, মনাওনিপাশিং তৎন–থানবা য়াদ্রবা অমসুং ঈ মরিনি হায়বসি মতম অয়াম্বদা কাওরোইদবনি। থকসি–খাসি নাইনা মৌ অমগী মথৌ ফজনা পাঙথোকপদা নুংশিদবা কনাসু য়াওরোইদবনি। লুহোংখিবা চহী ফারকপদা তোঙান তাগনি খল্লিবা মদুগুম্বা মৌ, পুম্নমক মাগী খুজিন থৌরাং নৎতনা অতৈ করিসু ওইররোইদবনি। শিরগা লোইরবা তাইবঙ অসিদা খ্বাইদগী লুনা নিংলিবা ঐখোয়না খনগদৌরিবসি অমগা অমগা নুংশিননবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতৈ অমা লৈত্রবনি।

অইবা হেমজিৎ ইরোম্বা

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-253*



**ACROSS**
- 6 Appear ominously (4)
- 8 Regular (5)
- 10 Flashy, vulgar (6)
- 12 Incentive (8)
- 13 Total (3)
- 14 Interested in painting (4)
- 15 Lighting device (5)
- 16 Liquid measure (4)
- 17 Deduce (5)
- 19 Roll (4)
- 21 Volcanic in origin (7)
- 22 Sea mile (4)
- 23 Cut off, remote (8)
- 25 Guile (7)
- 27 Japan's highest peak (5,4)
- 30 Rustle (5)
- 33 Smooth (5)
- 34 Person who refuses to vote (9)
- 36 Varies (7)
- 38 Sweet oat bar (8)
- 40 Poke (4)
- 42 Stuffed pasta (7)
- 44 Church service (4)
- 46 Apple drink (5)
- 48 Christmas time (4)
- 49 Disgusting (5)
- 52 Haze (4)
- 53 Fail to keep up (3)
- 54 Woes (8)
- 55 Iran's former name (6)
- 56 Ladder steps (5)
- 57 Evening (4)

**DOWN**
- 1 Flattery (4,4)
- 2 Suppress (5)
- 3 Cross-examined (10)
- 4 Plant stalk (4)
- 5 Biblical story set to music (8)
- 7 Impersonate (5)
- 9 Country landlocked by South Africa (7)
- 11 Unloading quay (5)
- 17 Mad (6)
- 18 Give orders (7)
- 20 Score of zero (3)
- 22 Pond carp (3)
- 24 Tested (7)
- 25 US crisps (5)
- 26 Of the stomach (7)
- 28 French for 'one' (3)
- 29 Russian mountains (5)
- 31 Conquest (3)
- 32 Paragon of chivalry (7)
- 35 Carrier (6)
- 37 Given food (3)
- 38 Inhabitant of Florence (10)
- 39 Traffic congestion (3)
- 41 Remembered (8)
- 43 Pickling medium (7)
- 45 Thrilling uncertainty (8)
- 47 Pub game (5)
- 50 Attired (5)
- 51 Dot-and-dash code (5)
- 53 Jump (4)

THE RIDJ EDUCATION FOR ALL
REGD.No. IE/2532(CE) OF 2020
RIDJ EDUCTION UCHEKON IMPHAL, MANIPUR
ADMISSION OPENS FOR CLASSES V-XII
BOARDING FACILITIES AVAILABLE
[ COMMENCEMENT OF CLASSES FOR CLASSES 11 AND 12: 20th APRIL MONDAY 2026 ]
RESULT AT THE GLANCE FOR THE HSLC EXAMINATION, 2024-25
BATCH: 1. NO. OF APPEARED STUDENTS - 78 PASSED %: 100%
2. NO. OF STUDENTS PASSED OUT IN FIRST DIVISION: 78
FOR DETAILS PLEASE CONTACT: 7005881627
ADDRESS: KONGBA UCHEKON MATHAK
NEAR SUN LIGHT LIBRARY CLUB

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 | 4 | 3 |
| 6 | 9 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 4 | 5 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 7 |
| 2 | 1 | 6 | 4 | 3 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 3 | 9 | 2 | 8 | 7 | 5 | 1 | 6 |
| 7 | 5 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 | 3 | 2 |
| 9 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 | 7 | 8 | 4 |
| 8 | 7 | 1 | 9 | 4 | 3 | 6 | 2 | 5 |
| 5 | 6 | 4 | 7 | 2 | 8 | 3 | 9 | 1 |

| | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | S | | | | Q | | Q | | | | S | | | | O | |
| L | O | O | M | | U | S | U | A | L | | T | A | W | D | R | Y |
| | F | | I | | E | | E | | E | | E | | H | | A | |
| S | T | I | M | U | L | U | S | | S | U | M | | A | R | T | Y |
| | S | | I | | L | | T | | O | | | | R | | O | |
| T | O | R | C | H | | P | I | N | T | | I | N | F | E | R | |
| | A | | | | D | | O | | H | | N | | | | I | |
| S | P | I | N | | I | G | N | E | O | U | S | | K | N | O | T |
| | | | I | | C | | E | | | | A | | O | | | |
| I | S | O | L | A | T | E | D | | C | U | N | N | I | N | G | |
| | A | | | | A | | | | H | | E | | | | A | |
| | M | O | U | N | T | F | U | J | I | | | S | W | I | S | H |
| | P | | N | | E | | R | | P | | P | | I | | T | |
| S | L | E | E | K | | | A | B | S | T | A | I | N | E | R | |
| | E | | | | B | | L | | | | L | | | | I | |
| | D | I | F | F | E | R | S | | F | L | A | P | J | A | C | K |
| | | | E | | A | | | | L | | D | | A | | | |
| P | R | O | D | | R | A | V | I | O | L | I | | M | A | S | S |
| | E | | | | E | | I | | R | | N | | | | U | |
| | C | I | D | E | R | | N | O | E | L | | G | R | O | S | S |
| | A | | A | | | | E | | N | | M | | O | | P | |
| B | L | U | R | | L | A | G | | T | R | O | U | B | L | E | S |
| | L | | T | | E | | A | | I | | R | | E | | N | |
| P | E | R | S | I | A | | R | U | N | G | S | | D | U | S | K |
| | D | | | | P | | | | E | | E | | | | E | |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733